হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ফেব্রুৱারী ০৮, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩১১শুবা মশীং


# উখ্রুলগী পাওয়ি খুল

## খুঞ্জাশিংনা পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎখিবা অসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি

মালেমদা কানি খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা লৈবাকশিংগী মনুংদা ম্যান্মারসু অমনি হায়বসি পুন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অফঘানিষ্টানগী হেক মথংদা ওপিয়ম খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপদা অনীশুবা লৈবাক ওইরিবা ম্যান্মারদা পোপী পান্বী মরাং কায়না থারি। ম্যান্মার, থায়লেন্দ অমদি লাওসকী তাইনফমদা লৈবা গোল্ডন ট্রাইএঙ্গলগা নক্নুনা লৈরুবা মরম্না মণিপুরদা ময়াই কাবা দ্রগ মরাং কায়না ফংবগী ফীভমদা লৈরি। ম্যান্মারগা তায়নবা ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদসু পোপী পান্বীশিং পাক্তক্নুনা থারম্বা থেংনরি। স্মগলরশিংনা ইন্দিয়াগী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদা দ্রগ পুথোক-পুশিন তৌবদসু মণিপুরবু মরু ওইবা লম্বী অমা ওইনা শীজিন্নরি। ইৱা-ৱাদনা অতেনবা মতমগী মনুংদা শেল মরাং কায়না তানবা য়াবা মরম্না ইচম-চন্বা মীওইদগী হৌরগা মতীক-ময়াই লৈবা মীওই ফাওবা দ্রগ ললোনবগী শিনফমদা খোঙ থাংজিল্লক্লবরা হায়বগী চিংনবা লৈরে। নাৎ-চৎনবী অমদি শান্ন-খোৎনবনা মালেমদা শক তাক্লিবনি হায়রিবা লমদম অসিদা ময়াই কাবা দ্রগ মরাং কায়না ফংবগী মতাংদসু মালেমদা মরু ওইবা মফম অমা কনবা ঙস্লে হায়রিবসি লাইবক থীবনি। চুম্না দ্রগ পুথোক-পুশিন তৌনবগী মরু ওইবা লম্বী অমা ওইনা শীজিন্নরম্বদগী পাক শন্না পোপী পান্বীশিং থাদুনা হিরোইন নম্বর ফোর শুংনবা ফেক্তরি কয়া লিংখৎলক্লবরা হায়বগী চিংনবা অমসু মীয়ামদা ফাওহল্লে। চীংমায় কয়াদা পোপী পান্বী পাক শন্না থারম্বা অমসুং হিরোইন নম্বর ফোর শুংফমনি হায়বা মফম কয়া সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা থুগায়বা লৈখ্রে। ইন্দিয়ন আর্মি অমদি মণিপুর পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল খরা লোয়ননা মশক নাইবা পোলিটিসিয়ন ফাওবা দ্রগ লল্লোনবগী কেসতা চেন্নে হায়রিবসিনদি থোইদোক-হেন্দোক্লা মতীক-ময়াই লৈরবা দ্রগ স্মগলিং গেং অমা লৈরস্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। হুরানবগী তরানি, মপূগীনা নোংমা হায়নবগুম মরক-মরক্তা য়াল্লবা দ্রগ ফাবগী থৌদোক অমা-অনীখক থোক্লবসু ফাবা ঙমহৌদবা, কনামত্তনা খঙনহৌদবা দ্রগ পুথোক-পুশিন তৌবগী থৌদোক কয়ামরুমসু থোক্লস্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। লৈঙাক্লা মতীক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে হায়জরগসু মতীক ময়াই লৈবা মীওইশিংনা দ্রগ পুথোক-পুশিন তৌবদা ইরায় লায়না ফাবা ঙমগদবা মান্দে।

মণিপুরদসু ম্যান্মাররোমদগী মখল মখা কয়াগী ময়াই কাবা দ্রগশিং লেপ্পা লৈতনা ইরায় লায়না পুশিল্লক্লি। মসিগীসু মথক্তা পোপী পান্বীগী মরূসু মরাং কায়না পুশিল্লক্লি। থবকশিং অসি নারোন্দা চখ্নবা থবক ওইবনা মীচম মীয়াম্নদি হেক্তমক খঙবা নত্তে। সিক্যুরিটি ফোর্সেসশিংনসু ময়াই কাবা দ্রগ অমসুং পোপী মরূশিং পুশিল্লকপা থিংননবগীদমক থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু মায় পাক্লা থিংবদি ঙমদ্রি। মণিপুর লৈঙাক্কী ৱার ওন দগ্রসকী শরুক অমা ওইনা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ষ্টেট ফোর্সকী অখন্নবা টিমশিং থাদুনা পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাঙ তাহনবগী থবকশিং পায়খৎলি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু ষ্টেট অসিদগী পোপী পান্বীশিং পুন্মুৎ মুখৎননবা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি। মসিগীসু মথক্তা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী লুচিংবশিং অমদি খুলগী নিংথৌশিংগা উনদুনা পোপী পান্বীশিং থাহন্দনবা চীফ মিনিষ্টরনা আপিলসু তৌখ্রবনি। চৈরক অসিদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা মওংদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পাওয়ি (পেহ) খুলগী মফমশিংদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং খুঞ্জাশিং থোরক্লগা য়ান্থৎখিবা অসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি। খুঞ্জাশিংনা লৈঙাক্কী ৱার ওন দ্রগস শৌগৎলদুনা পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎখিবা অসিদা অপেনবা পোকপদগী চীফ মিনিষ্টরনা পাওয়ি খুলদা লুপা লাখ ১০গী রিৱার্দ পীরগনি হায়নসু লাউথোকখ্রে। পাওয়ি খুলগী খুঞ্জাশিংনা করি ৱাখল ফাওরকপদগী পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎখিবনো হায়বসিসু নৈনবদি মথৌ তাই। অদুমকপু খুল অসিগী খুঞ্জাশিংনা পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাঙহনখিবা অসিদি অতোপ্পা খুলশিংনসু মতৌ তমহন্নিংই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### ক্লাস নাইনগী মখাগী অঙাংশিংসু মহৈ তম্বা ফংনবা অখন্নবা থৌরাং লৈঙাক্লা পায়খৎহন্নিংই

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা মতম শাংনা লাইরিক তম্বা ফংদনা লৈরুরবা মতুংদা হন্দক লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা থৌরাংগী মতুংইন্না ক্লাস নাইনগী মথক্কী মহৈরোয়শিংবু মমাং থাগী ২৭তগী হৌরগা লাইরিক তম্বা ফংহনখিবা অসি তশেংনা অফবা খোঙথাং অমনি। অদুবু ক্লাস নাইনগী মখাদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদি ঙসি ফাওবদা মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরি। মতম কুইনা লাইরিক তম্বা ফংলক্তবা অমদি স্কুল কাদবা মরম্না অঙাংশিং অসিদা লাইরিক পানিংবগী হৈনবগী মাঙখিবগুম্না তৌরে। মরম অদুনা পিল্লিবা অঙাংশিংগী ওইনসু লৈঙাক্লা অমদি মরি লৈনবশিংনা অখন্নবা থৌরাং-থৌশিল য়াৎতুনা অমদি এস ও পি ঙাক্লা চৎহল্লগা লাইরিক তম্বা ফংনবা শিনবিরবদি মমা-মপাশিংগী অপেনবা ওইবতা নত্তনা লৈবাক অসিগীসু য়াইফবা ওইগনি।

মতম অমদা মালেমগী লৈবাক খুদিংদা ওইরম্বা মহৌশাগী ফীভম অদু ঙসিদি ওইদ্রে। ষ্টেট অসিদসু মতম অমদা ওইরম্বা কোভিদ-১৯গী অকিবা অদুসু মাঙখ্রে। হৌজিক লমদম অসিদা মহৌশাগী ফীভম অদু লাক্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অদুনা তুংগী য়ুম্বিরেল ওইগদৌরিবা লমদম অসিগী অঙাংশিংবু মহৈ তম্বা ফংনবা থৌরাং-থৌশিলশিং তঙাইফদনা পায়খৎপগী মথৌ তারে। নৎত্রবদি অঙাংশিং অসি ককঙাওনদুনা টেলেন্ট লৈরবা অঙাংশিং অসিগী হৈশিংবা তপ্না-তপ্না মাঙখিদুনা মালেমগী অঙাংশিংগা চাংদম্নবদা অৱাবা ফীভম অমদা লৈখিবা য়াই। হৌজিক্তি কোভিদ লায়না-লাইচৎ নোর্মেল ওইরবনিনা অঙাংশিং মহৈ তমহল্লসি।

*অদোমগী - মাইবম মাইমু, খুরাই*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১

(১) মণিপুরীদা ইহান হানবা মপূঙ ফানা শাংবা দ্রামা শান্নদুনা উৎখিবা অসি করম্বা চহীদনো? দ্রামা অদুগী মমিং করি কৌবগে অমদি কনানা ইবনো?

(২) হৌখিবা চহী ২০২০ গী ওক্তোবর থাদা 'উশিন' হায়বা লাইরিক অসি ফোঙখি। লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

(৩) 'ত্যাগপত্র' হায়বসি কনানা ইবা লাইরিক্লো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

(৪) শক্লাইরবা কলাকার অমনা 'শ্রীশ্রী গৌড় গোবিন্দগী থৌরম পরেং' হায়বসি ইদুনা পুথোকখি। কলাকার অসি কনানো?

(৫) 'শগোল তোংবা কাইরংবা/নঙবু তোংবা য়াঙদেদা/লমগী পানা খোঙশাংবী/নঙবু শায়বা ঙাঙদেদা/ইমিং ইমাঙ হাইরৌনা/খুবাক হাইরৌনা/হংচে কোল্লো।' শৈরেং মতেক অসি অরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপনি। করি শৈরোংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

# তিলহৌ পান্বীদা তাবা লায়না

**ডো. এম থোইথোই সিংহ**

তিলহৌ পান্বীনা হৌরিঙৈ অমসুং খাওরবা মতুংদা নাগনবা লায়নাশিংগী মনুংদা ডাউনী মিলডিউ, পরপল ব্লোটচ, ষ্টেমফাইলিয়ম ব্লাইট, ওনিয়ন স্মট, ব্লেক মোলড, বেসেল রোট, হ্বাইট রোট ষ্টোক রোট অমসুং সোফট রোট মমিং পনবা য়াই।

**ডাউনী মিলডিউ :** লায়না অসিনা নারবা তিলহৌ পান্বী মথীক নেম্মী, মচু শংজরবসু তাইফেট তাইনা লৈগনি। লায়না অসি পান্বীগী মফম শীন-থুংনা শন্দোকই। নুংশিত্তা ঈশিং মনিল ৱাংবা, লৈচিল নোংফাই থাংবা মতমদা তিলহৌ মনা পূন্বা মঙ্গ্রা মচু চংলপ তৌবা কোকফাই অমসুং কোকফাই মরুশিং নপ-নপ্তুনা লৈ। অদুবু নুংশা লাংবা খরা হেন্না কংলপ তৌবা মতমদদি মচু তাইফেৎ তাইবা ঙৌরুনবা মচু মপাক মপাক ওইনা লৈবা থেংনগনি। মনাগী মশা খরা হেন্না শোক্লবা মফমদা তেক্তুনা হাইথবা অমসুং মতোন থংবা শরুক্তু কংশিল্লকপা থেংনগনি।

**ঙাকথোক্লবা পান্থৈ :** Mancozeb 75 WP গ্রাম ২৫ ঈশিং লিটর ১০ খুদিংদা য়ানবীরগা কাপথোকপীয়ু। কাপখ্রবা মতুং নুমিৎ ১৫ নি লৈরগা অমুক কাপথোকপীয়ু। নৎত্রগা Zeneb 75 WP ওইনা চপ মান্নবা মওংদা শীজিন্নবীবসু য়াই।

**পরপল ব্লোটচ :** মনা অমসুং মপান শারীবা মখোক্তা ঈশিং অশাবা চোংখিবা মানবা দাগশিং লৈরম্বদগী কোনা মচু চঙলকই। মতুংদা মঙ্গ্রা মচু মান্না মপাক মপাক পোকথোকপা থেংনগনি। মপাল শারীবা মখোক অদু লায়না অসিনা শোকহল্লবা মফমদা তেকথরক্কনি।

ঙাকথোক্লবা পান্থৈ : Mancozeb 75 WP গ্রাম ২৫ ঈশিং লিটর ১০ খুদিংদা য়ানবীরগা কাপথোকপীয়ু কাপখ্রবা মতুং নুমিৎ ১৫ নি লৈরগা অমুক কাপথোকপীয়ু।

**ষ্টেমফাইলিয়ম ব্লাইট :** মনা কাথেকপী লায়না অসি হৌরকপদা মনাগী শরুকশিংদা শংলি-শংলি তৌনা তিম্বুল নাপুল মচু চঙবা অশাংবা (ময়ুংলোমদা) দাগশিং লৈরম্বদগী দাগশিংদু কংশিল্লকপা থেংনগনি।

**ঙাকথোক্লবা পান্থৈ :** Mancozeb 75 WP গ্রাম ২৫ নৎত্রগা কাপ্টান গ্রাম ২০ ঈশিং লিটর ১০ খুদিংদা য়ানবীরগা কাপথোকপীগনি। নুমিৎ ১৫ কান্নরগা অমুক হন্না কাপ্লবদি লায়না অসিদগী ইরায় লায়না কনবা ঙমগনি।

**ওনিয়ন স্মট :** নৌনা হুনবা, পোকখায়রবা মতুং নুমিৎ ৭/৮ মুক শুরবা মনা থীনগৎলকপা পঙকুই কুইদ্রিবা তিলহৌ মরূশিংদা লায়না অসি তাগল্লি। মনাশিংদা অমুবা থাগৎলপ তৌবা দাগশিং লৈগনি। মসিনা মরম ওইদুনা মনাশিংদু কোন্থ-কোন্থনা লৈবা থেংনগনি। ফুগ্রিদৌনা তোংথোকপা দাগ কয়া তিলহৌ মরূগী মখা থংবা শরুক্তা লৈবা থেংনগনি। হায়রিবা দাগশিং অসি কায়রকপদা অকুপ্পা অমুবা লায়না অসিবু মখা তানা শন্দোকচবা ঙমজবা কোকফাই মরূ কয়া থাদোরকপা থেংনগনি। লায়না অসিনা নারবা তিলহৌ পান্বীশিংনা চয়োল ৩/৪ গী মনুংদা শিগল্লি।

**ঙাকথোক্লবা পান্থৈ :** লায়না অসিগীদমক্তদি মরু ওইনা লৈরিঙৈদা হীদাক তোৎহৌগদবনি। মরূ কিলোগ্রাম অমদা কাপ্টান নৎত্রগা থিরাম গ্রাম অনীগী চাংদা তোৎপীরগা হুনবীগনি। নারবা পান্বীশিংদা Combi-Sol গ্রাম অমা ঈশিং লিটর খুদিংদা য়ানবীরগা কাপথোকপীবা য়াই।

**ব্লেক মোল্ড :** খাওরবা তিলহৌ মরূশিংদা অমুবা কোকফাই হায়গত্তুনা তিলহৌ মরূশিংবু মশক থীহল্লি। তকথোক নানথোকপদা মশা নান্না লৈ, তিলহৌ মরূদুদা করিসু অকায়বা পীদবা মাল্লি। অদুবু অসুম্না অমুক কোকফাই হায়গত্তুনা লৈরবা তিলহৌ মকুশিং মথং মথং পৎশিল্লত্তুনা মনুং য়ৌরকই। হায়রিবা থবক অসি ঈশিং মনিল ৱাংবা অমসুং খরা শাগৎপা মফমদা তৌগল্লি।

**ঙাকথোক্লবা পান্থৈ :** নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংবা, অকংবা অইংবা মফমদা তিলহৌ মরূশিং থাবিগনি।

**বেসেল রোট :** কোকফাই মখল অসি তিলহৌনা হৌরিঙৈদা অমসুং লীদুনা থল্লিঙৈ মতম অনীমক্তা তাশিনবা ঙম্মী। লায়না অসিনা নারবা তিলহৌ পান্বীগী মনাদা নাপু চঙলকই, খুইথরকই অমসুং শি। তিলহৌ পান্বীনা মপূং ফারকপগা লোয়ননা মরাশিংগী মচু ঙাঙলৈনরকই। মমৈথংদা মরাশিংদু পৎলকই। তিলহৌ মরূদু থোত্তোরকই, মরুগী মখা থংবা শরুক্তা মহি থোক্লা পৎলকই।

**ঙাকথোক্লবা পান্থৈ :** (১) মরূ হুন্দ্রিঙৈদা মরূদা হিদাক তোৎহৌগনি, মসিগীদমক কাপ্টান নৎত্রগা থিরাম গ্রাম অনী মরু কিলোগ্রাম খুদিংদা তোৎপীহৌগনি। (২) Carbendazim 50% WP গ্রাম অনী ঈশিং লিটর খুদিংদা তুমহনবীরগা কাপথোকপীগনি। খাওগদবা চয়োল অমা ৱাৎলিঙৈদা অমুক হন্না কাপথোকপীরবদি লীদুনা থম্বা মতমদা লায়না অসি তাবগী চাং হন্থগনি।

**হ্বাইট রোট :** কোকফাইনা থোকহনবা লায়না অসিসু লৈবাক্তগী শন্দোরকপনি। লায়না অসিনা তিলহৌ মরূগী শরুকশিং মরা, মউ অমসুং লিফ সিথনচিংবা কয়াবু পৎহল্লি। লায়না চেল্লবা মনাশিং নাপু চঙলকই, ইহাম হান্না লৈ মতুংদা পান্বী পূম্বা শি।

**ষ্টোক রোট :** কোকফাইনা থোকহনবা তিলহৌগী মখোক পূন্বী লায়না অসিনা তিলহৌগী মপাল য়াওবা মখোক্কী মখা ইথং থংবা শরুকশিংদা পৎশিল্লকই। মসিনা মরম ওইদুনা মপালশিংনা মরূ চংদ্রিঙৈদা পৎলকই, মরু চঙবা ঙমহন্দে। বেক্টোরিয়া অসিনা তিলহৌ মরূগী মপানথংবা শরুকশিংদা লৈরম্বদগী মরুগী অশোকপা মফমশিংদা চঙখিদুনা মখা তানা পৎহল্লি। নমথিবা মনম থাদোরকই।

**ঙাকথোক্লবা পান্থৈ :** হুনগদবা মরু অমসুং লিংগদবা মরুশিংদু Bactowin গ্রাম অমা ঈশিং লিটর ১০ গী চাংদা য়ানবীরগা পুং অনী তিংবীগনি। Bactowin গা Captan নৎত্রগা Carbendazim নৎত্রগা থিরামগা পুনবীরগা শীজিন্নবীবা য়াই।

**সোফট রোট :** তিলহৌ পান্বী পৎপী, বেক্টোরিয়াগী লায়না অসি তিলহৌগী মঙক্তগী হৌরকই। মথং মথং ফাওজিনখিদুনা তিলহৌ মরূগী মনুং য়ৌশিনখি মতুংদা চোৎ চোৎ লাওনা পৎলকই। মঙক্তা থেক্তুনা য়েংবদা নমথিবা মনম য়াওবা কোঙ্গোল অমসুং মহি থোরক্কনি।

**ঙাকথোক্লবা পান্থৈ :** (১) তিলহৌ তানথোকপদা খূৎশু খূৎলাইনা তিলহৌশিংবু শোকপা খোৎপা তৌহল্লোইদবনি। (২) লায়না চেন্দ্রবা মঙক চেৎলবা, মপানগী কুয়োম কংলবা মনা মপুং ফানা কংলবা তিলহৌতমক লীবিগনি। (৩) তিলহৌশিং লিননবগীদমক খাওগদবা চয়োল অমা ৱাৎলিঙৈদা Carbendazim 50% WP গা Bactowin গা গ্রাম ৫/৫ লৌবীরগা ঈশিং লিটর ১০ গা য়ানবীদুনা কাপথোকপীহৌবা ফৈ।


পঞ্জখ্রিবা লায়নাশিং অসিগী মনুংদগী খরদি তিলহৌ থাবীরিবা মীওইশিংনা শোয়দনা থেংনবীরবা ঙাক্তনি। হীদাক অমা হেক্তা লৈশিল্লগা পঙকাপ কাপ্পা তৌবিদনা করি লায়নানো? করিনা থোকহনবনো? হায়বনচিংবা খঙদোকপীরগা চপ চাবা হীদাক শীজিন্নসি। পান্বীদা কুইনা তুঙদুনা লৈগদবা; মীওইবগী হকচাং য়ৌরক্কদবা হীদাক শীজিন্নরোইসি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# লৈবাক লৈহাওগী মরু ওইবা মচাকশিং অমসুং থৌদাং খরা

**- এস সুমঙ্গল -**

লৈবাক লৈহাওশিং হায়রগে মরমদি ময়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। মফম অমগা অমগা লৈবাক লৈশা মান্নদে, মগুন মান্নদে অদুনা মতুংদা লৈবাক লৈহাও অমা হায়না শীজিন্নরকপদা তোঙান তোঙানবা মখল লৈ হায়বসি নীংশিংবীয়ু। মখোয়গী মরমদা মখোয়শিং করম্না শেম শাগদগে হায়বদু মখাদা লাক্লিবা নৈনবা অসিদগী খঙজিন্নবা হোৎনসি। মখলশিং অসিগী মগুনশিংবু মমুৎ তানা মুন্না খঙবা হায়বসি লৌউ-শিংউ তৌরিবা খুদিংমক্কী তঙাইফদবা অমনি হায়না থমজনীংই। খরা থমজগে।

লৈবাক লৈহাও (সোইল) করিনো হায়না নৈনবদা অরায়বা পাউখুম অমা থম্বা তারগদি সোইল হায়বসি মপং, মহী, মনীল অহুম্না পূন্না শেম্বা সিষ্টম অমনি হায়না থম্বা য়াই। মখা তানা মখোয় অহুম্বু শন্দোক্লা অসুম্না থম্বা য়াই। মপং অসিদা য়াওরিবসি মিনরেলগী ওইবা মচাকশিং, শা-ঙা, পান্বী, উ-ৱা, নাপি-শিংগী পত্থ-পুমথরবা মচাকশিং, অহিংবা হিংকুপশিং অমদি অতোপ্পা থৱায় পানবশিং; মহিনা ঈশিং মনিল/ঈশিং; মনীলনা নুংশিৎ/গ্যাস অসিনি। অফবা সোইল অমদা হায়রিবা মচল অহুম অসি চাং চানা লৈফম থোকপা চাং অমদা লৈবা মতমদা পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমগনি। অমরোমদা মচলশিং অসি মরি থোক্লা হায়বদি - মিনরেল মেটর, ওর্গানিক মেটর, ঈশিং অমসুং নুংশিৎ হায়না থম্বা য়াই। সোইল অমগী অপূনবা ভোল্যুমগী চাদা থমজরিবা মচল মরিগী চাং অসি কয়া-কয়া য়াম্না য়াওবগে হায়বা অদুনা সোইল অদুগী অফ-ফত্ত মগুন, পান্বী নিংথিনা হৌবা ঙম্বা ঙমদবা অদু লেপ্পী। সোইল অমদা মচল মরি অসি য়ানশিন্নদুনা শেম্বগী মওংদি য়াম্নমক লায়না লৈতে অদুবু পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙম্বা ফোলি তাবা লৈবাক লৈহাও অমগী নিংথিনা চাং চাবা ফীভমদা লৈবা মতমদা চাওরাক্লা মখোয়গী চাং অসি অপূনবা ভোল্যুমগী চাদা অসুম্না থম্বা য়াই। মিনরেল মেটর - ৪৫%, নুংশিৎ - ২০-৩০%, ওর্গানিক মেটর - ৫%। সোইল অমগী শরুক খুবাম অমা মতুম ওইনা লৌখৎপা মতমদা ঐখোয়না মতুম তাবা মপং ওইনা উবদি য়াই অদুবু মদুদা য়াওরিবসি শরুক তঙ্খাই অমদি মপংনি (মিনরেল অমসুং ওর্গানিক মেটর) অদুগা শরুক তঙ্খাই অমনা অহাঙবা চাউবা মান্নদবা মখুন কয়াগী শরুকনি। মসিবু ঈশিং অমসুং নুংশিৎনা চাওরাক্লা তঙ্খাই তঙ্খাই মেনশিন্দুনা য়াওরিবনি। অপূনবা অদুগীনা ৫% খক্লা ওর্গানিক মেটরনি। অদুবু য়ামখিদ্রবা শরুক অসিখক্কী থৌদাংদি য়াম্নমক চাওই। মসিগা লোয়ননা লৈবাক লৈহাও অমদা য়াওরিবা অহাঙবা অহোবা শরুক অসিগীসু চাউরবা থৌদাং লৈরিবনি। অহাঙবা অহোবা অসিদনি য়াম্নমক মরু ওইরিবা ঈশিং অমসুং নুংশিৎকী তুংশিন্নফম ওইদুনা পান্বীগী তঙাইফদবা মচিঞ্জাক মচল ঈশিংদা তুমহন্দুনা পীগদৌরিবসি। লোয়ননা নুংশিৎ ফংহন্দুনা পান্বীগী মরানা শ্বর হোনবা ঙমহনগদৌরিবনি। পান্বীগী মরানা মাগী মনাক্তা লৈবা ঈশিংদা তুম্লবা মচিঞ্জাকখক্তমক চুপখৎপা ঙম্মী।




**মিনরেল মেটর :** সোইল অমদা খরা চাওবা নূং, নূংকুপ, লৈঙোই অদুমক য়াওবা থেংনৈ, অদুবু খরা তোয়না শীজিন্নরবা/ফরবা লৈবাক লৈহাও অয়াম্বদা য়াওরিবসি - লৈঙোই, খরা হেন্না কূপ্পা সিল্ট কৌবা অমগা য়াম্নমক কূপ্পা লৈতানগী মচাক্কী শরুকশিংনি। লৈঙোইহিদ অমগা অমগা কৈদৌনুংদা নপশিন্নদে, মচা প্রোপ প্রোপ তাই, সিল্ট য়াম্না কূপ্লবসু অমগা অমগা নপশিন্নদে, অদুবু লৈতানগী শরুক্তি অমগা অমগা নপশিন্ননবা হোৎনৈ নপশিন্নৈ। মখোয় অহুম অসি পূন্না মাগী মাগী য়াওবগী চাং মতুংইন্না লৈতান্না নম্বনা লৈতানলম, লৈঙোইনা নম্বনা লৈঙোইলম, সিল্টনা নম্বনা ফোলি তাবা লম হায়না খাইদোকনৈ। মখোয় অহুম্না কয়া-কয়া য়াম্না য়াওই হায়বগী চাং অদুবুনা সোইল টেক্সর হায়না খঙনৈ। টেক্সরনা লৈবাক অমগী অফ-ফত্ত মগুন অয়াম্বা লেপ্নে। অদুগা মখোয় অহুম্না সোইল অমদা করম্বা মওংদা শিন্দোক্তুনা য়ানশিন্নবগে/লৈবগে হায়বা অদুবুনা সোইল ষ্ট্রকচর হায়নরিবা অদুনি। টেক্সর অমদি ষ্ট্রকচর অনীমক পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙম্বা-ঙমদবদা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌই।

**ওর্গানিক মেটর :** অচৌবা হিংলিবা থৱায় পানবশিং, মীৎনা উবা ঙমদবা হিংকুপশিং য়াওনা মখোয়গী অশিবা হকচাং, মখোয়গী পত্থ-পুমথরবা শরুকশিং, নাপি-শিংনা, উপাল-ৱাপাল কয়াগী পত্থ-পুমথরবা শরুকশিং খুদিংমক্লা পুল্লগা সোইল অমগী ওর্গানিক মেটরগী শরুক শেম্মী। অহিংবশিংনা শিরবা মতুং হিংকুপশিংনা পত্থ-পুমথহন্দুনা অতোপ্পা মচল কয়া শেল্লকই। মমৈথংদা মখোয়না শ্বর হোনবদা কার্বোনদাইওক্সাইদ ওইনা নুংশিৎতা অমুক তিনখি। অসুম্না অসুম মাঙখিবা মরম্না তত্তনা/লেপ্তুনা ওর্গানিক মেটর লৈবাক্তা হাপচিনবা মথৌ তারকই।

ওর্গানিক মেটরনা মিনরেল মেটরশিংবু ফাজিন্নদুনা মতুম-মতুম তাবা ষ্ট্রকচর শেমদুনা, শেম শাবদা, শুবদা নুংঙাইবা পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙম্বা লৈবাক ওইহল্লি, লোয়ননা মখোয়না পত্থরবা মতুংদা মখোয়দা য়াওরম্বা পান্বীগী মচিঞ্জাক মরু ওইনা ফোসফোরস, সলফর অমসুং নাইট্রোজেন পান্বীদা ফংহল্লিবনি। ওর্গানিক মেটরবু কান্নরবা হিংকুপশিংনা তুমহনবা মতমদা মখোয়গী এনর্জি অমসুং কার্বোনগী শরুকসু ওর্গানিক মেটরনা পীরিবনি। অসিদসু নত্তনা লৈবাক্তা ঈশিং ফাজিনবগী চাং হেনগৎহল্লি, লোয়ননা পান্বীদা মতম শাংনা ঈশিং ফংহল্লি। ওর্গানিক মেটর লৈরমদ্রবদি অকোয়বগী ইকো সিষ্টমশিংগী মথৌশিং অসি চপ লেপখিরম্বসু য়াই। লৈবাক অমদা ওর্গানিক মেটরগী শরুক অসি য়াম্না য়ামদ্রবসু লৈতানগী শরুকনা পান্বীগী মচিঞ্জাক অমসুং ঈশিং ফাজিন্দুনা পীবদগীদি ওর্গানিক মেটরনা পীবনা শরুক য়াম্না হেল্লি। মরম অদুননি ওর্গানিক মেটর য়াওদ্রবদি লৈবাকশিং অসি লৈকংলা ওইখিবা য়াই হায়নরিবসি।

**লৈবাক লৈহাওগী ঈশিং :** ১) লৈবাক মনুংদা লৈরিবা অহোবশিংদা য়াওরিবা ঈশিংগী চাং অমসুং অহোবশিংগী চাওবা-পিকপগী মতুংইন্না তোঙান-তোঙানবা ফাজিনবা ঙম্বগী চাং খেন্ননা ঈশিংশিং য়াওদুনা লৈ। পাত্র অমদা হাপ্পা ঈশিংদি হৈদোকপা মতমদা জর-জর চেন্থখি অদুবু লৈবাক লৈনুংদা য়াওবা ঈশিংদি মদুমক ওইদে। মসি লৈশা শেল্লিবা মচাকশিংগা ঈশিংদুগা চিংশিন্নবগী পাঙ্গল অদুননি। ঈশিং ফংদবদগী পান্বীনা কংলবা মতম ফাওবদা লৈবাক অদুদা পান্বীনা ফংবা ঙমদবা মওংগী ঈশিংদি অদুমক য়াওরিবনি।

২) লৈনুংদা লৈরিবা ঈশিং অসি ঈশিংখকনি হায়না লৌবা লানগনি মরমদি মসিদা পোৎলম কয়া অমা তুমদুনা য়াওরি- খুদম ওইনা কেলসিঅম, ফোসফোরস, পোটাসিঅম, নাইট্রোজেন অসিনচিংবশিং লেপ্তুনা তুমদুনা য়াওদুনা পান্বীদা মতম লৈবা খিবিক্তা ফংহল্লি হায়বা য়াই।

**লৈনুংগী নুংশিৎ (গ্যাস কয়া অমা শেম্বা) :** মথক্তসু থমজখ্রে, সোইল অমগী অপূনবা ভোল্যুমগী তঙ্খায়মুক্তি চাওবা মান্নদবা, অহাঙবা , অহো-অহোবা মখুনশিং ঙাক্তনি হায়না। মসিগী অহোবা শরুকশিং অসিগী খরা-খরা ঈশিং নৎত্রগা নুংশিৎনা মেনশিল্লি। লৈবাক্তুদা ঈশিং থাজিনবা মতমদা নুংশিৎকী শরুকশিং অদুগী খরা নৎত্রগা পুল্লপ তপ্না তপ্না ঈশিংনা মেনশিল্লকই। মরম অসিনা সোইলগী ঈশিংগা নুংশিৎকা অনী অসি ওন্ন-তৈননা চৎলি। হায়বদি ঈশিং য়াল্লগা নুংশিৎ হন্থৈ, ঈশিং হন্থরগা নুংশিৎ য়ামখৎলি। অমরোমদা অমনা অমবু মেনখৎনৈ হায়বসু য়াই। ঈশিংনা অহোবা খুদিংমক মেনশিনখিবা তারগদি পান্বীগী মরানা নুংশা শ্বর হোনবা ঙমদদুনা পান্বী শিথরকই। লৈবাক্তা ঈশিং চনবা নৎত্রগা নোং চুখ্রবা মতুং ঈশিং চুমথখিবা/চিথখিবা অসি অচৌবা মখুনশিং অসিদগীনি, মসিদনা হান্না নুংশিৎনা মেনশিল্লিবনি। মথংদা খরা হন্থবা মখুনশিংদগী ঈশিং চুমথখিদুনা নুংশিৎনা অসুম অসুম মেনশিল্লি। অসুম্না অফবা লৈবাক লৈহাও অমদা ঈশিং অমসুং নুংশিৎ অসি চাং চানা থমদুনা পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমহল্লিবনি। অপিকপা মখুন্না নম্বা লৈবাক্তা নুংশিৎতগী ঈশিংনা হেন্দুনা নুংশিৎকী চাং ৱাৎতুনা পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমদে। অসিগুম্বা লৈবাক্তা নুংশিৎ ফাওদোক ফাওজিন তৌবগী চাংসু য়াম্না হন্থৈ, লৈনুংদা কার্বোনদাইওক্সাইদনা হেন্না য়াওশিল্লকই। লোয়ননা ওক্সিজেন ৱাৎশিল্লত্তুনা পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমদে।

অসুম্না মথক্তা থল্লিবা সোইলগী মচাক মরি অসি অমগা অমগা নক্লবা মরী লৈনদুনা সোইল অদুগী অফ-ফত্ত মগুন ওইহল্লি। লৈনুংগী ঈশিংনা পান্বীগী হকথেংনবা তঙাইফদবশিং পীবগা লোয়ননা নুংশিৎ অমসুং পান্বীগী মচিঞ্জাক মরানা ফংবদসু মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। অসুম্না ওর্গানিক মেটরনসু মাগী ফাজিনবা ঙম্বা মগুন্না মিনরেল মেটরশিং চাং চানা চাওবা মতুম-মতুম তাশিন্দুনা অপিকপা, ময়ায় ওইবা অমদি মরু ওইনা অচৌবা মখুনশিং শেমদুনা লৈনুংগী ঈশিংগা নুংশিৎকা অফবা মরী লৈনহন্দুনা পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমহল্লিবনি। ●